# বি জে পিগী ইঙ্গিৎতা গভর্ণরনা থবক তৌই, শিব সেনানা গভর্ণরগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা চৎখ্রে

***মুম্বাই, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

মহারাষ্ট্রদা গভর্ণমেন্ট শেন্নবা দাবী তৌনবা অহেনবা মতম পীয়ু হায়বদা য়াখিদবদা গভর্ণর ভগৎ সিংহ কোসিয়ারিগী মায়োক্তা ঙসি শিব সেনানা সুপ্রিম কোর্টতা চৎখ্রে।

ৱারেপ অদু অন-কনষ্টিট্যুসনেল ওই, মরম চাবা ওইদে অমসুং ফত্তবা ৱাখল্লোননি হায়না পার্টি অসিনা মকোক থোংবা কোর্টতা পীখিবা ৱাকৎতা হায়খি।

কোংগ্রেস লূচিংবা অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কপীল সিবালনা কোর্ট অসিদা পার্টি অদুগী মহুৎ শিন্দুনা উকিল ওইগনি হায়না লিখুলশিংনা হায়খি।

গভর্ণমেন্ট শেন্নবা মতম পূং ৪৮দা শাংদোকহনবীয়ু হায়বা শিব সেনাগী হায়জবা অদু য়াদদুনা গভর্ণর ভগৎ সিংহ কোসিয়ারিনা ঙরাং গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী দাবি তৌনবা শরদ পৱারগী নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিদা বার্তন তৌখি। এন সি পিদা পীরিবা মতম ঙসি নুমিদাং পূং ৮.৩০দা লোইরে অমসুং পার্টি অদুনা মখোয়গী মতম পূং ৪৮ ঙসি অয়ুক ফাওবা শাংদোকহনবীয়ু হায়জখিবনি।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কেবিনেটনা এসেমব্লিগী ফল লাওথোকখ্রবা নুমিৎ ২০নিলোমগী মতুংদা গভর্ণমেন্ট অমত্তা শেমদ্রবা মহারাষ্ট্রগীদমক প্রসিদেন্ট’স রুল রিকমেন্দ তৌখি। গভর্ণরনা বি জে পিগী ইঙ্গিৎতা থবক তৌই হায়না শিব সেনানা মরান শীখি।

শিব সেনানা মখোয়গী সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা ৱাকৎতা গভর্ণরনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমব্রা হায়না বি জে পিদা পূং ৪৮গী মতম পীখি। অদুগা মখোয়দনা মখোয়গী খোঙবু ওইনিঙাই ওইরিবা কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিগী শৌগৎপগী চেরোল লৌনবা পূং ২৪ খক্কী মতম পী হায়খি।

কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিনা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মথৌ তাবা মশীং লৈতে। মখোয়না গভর্ণমেন্ট অদু শেমগে হায়বা তারবদি শিব সেনাগী মতেং চংই। হান্নদি পার্টি অনীমকসিনা ওপোজিসনদা ফম্নবা মখোয়গী থৌরাং তৌরি হায়খিবনি।

শক্তি তঙ্খাই-তঙ্খাই য়েন্নবগী মতাংদা শিব সেনানা অনীরকশুবগী ওইনা মরী তৎনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্টতা য়াওরিবা অমত্তা ঙাইরবা মখোয়গী মিনিষ্টর অদু ঙরাংদগী লৌথোকখ্রে।

হৌজিক পার্টি অসিনা কোংগ্রেস অমসুং শরদ পৱারগী এন সি পি য়াওবা অনৌবা পোলিটিকেল এলাইনমেন অমগী লম্বী রোমদা লাক্লি।



# সোনিয়া গান্ধীনা শরদ পৱারগা ৱারী শান্নখ্রে, এন সি পিগা মখা তানা ৱারী শান্নবা কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লূচিংবা ৩ হাপখ্রে

***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

কোংগ্রেস ইন্টরিম- প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ঙসি এন সি লূচিংবা শরদ পৱারগা ৱারী শান্নখ্রে অমসুং পার্টিগী সেনিয়ার লূচিংবা ৩ মহারাষ্ট্রদা গর্ভমেন্ট শেন্নবগী হিরমগী মখাদা মখা তানা ৱারী শান্ননবা হাপখ্রে।

গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী ৱাথোক অসিদা ৱারী শান্নবা কন্না চথরকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী লূচিংবশিং অহমেদ পতেল মাল্লিকার্জুন খরগে অমসুং কে সি ভেনুগোপাল এন সি পি শরদ পৱারগা ৱা তান্ননবগীদমক ঙসি মুম্বাইদা চৎলগনি। মসিগী মমাঙদা অয়ুক্তা সোনিয়া গান্ধীনা টেলিফোনদা অমুক্কা হন্না শরদ পৱারগা ৱারী শান্নখি অমসুং মহাক্কী পার্টি লূচিংবশিং অদুবু মুম্বাইদা শরদ পৱারগা উন্ননবা হায়খি।

কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিনা শিব সেনানা লূচিংবা গভর্ণমেন্টতা ইন-প্রিন্সিপলদা শৌগৎপা য়ানরে হায়না সেনা লূচিংবা অদিত্য থাক্করেনা হায়রিঙৈদা গভর্ণর ভগৎ সিংহ কোসিয়ারিনা এম এল এ মশীং শুহন্নবা হোৎননবা অহেনবা মতম পীবীয়ু য়াখিদবনি। মদুগী মতুংদা ষ্টেট অসিদা খ্বাইদগী চাওবা ৩শুবা পার্টি ওইরিবা এন সি পিদা ঙসি পূং ৮.৩০ ফাওবদা গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী অনীংবা অমসুং অঙম্বা অদু ফোঙদোক্নবা বার্তন অমা গভর্ণরনা তৌরকখিবনি।



এম এল এ ৫৪ লৈদুনা এন সি পিনা মেম্বর ২৮৮ লৈবা মহারাষ্ট্র এসেমব্লিদা ১০৫ লৈবা বি জে পি অমসুং ৫৬ লৈবা শিব সেনাগী মথঙদা ৩শুবা খ্বাইদগী চাওবা পার্টিনি, কোংগ্রেসনা এম এল এ ৪৪ লৈ। হাউস অসিদা তঙ্খাই য়ৌগদবা শীং অদু ১৪৫নি।

# রামজন্মভুমি ন্যাসনা যোগি অদিত্যানাথপু অযোধ্যাদা লাইশঙ শাগদৌরিবা টেম্পল ট্রষ্ট অদুগী মকোক ওইহনবা পাম্লি

***অযোধ্যা, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাবগী থবক অদু য়েংশিন্নবা লিংখৎকদৌরিবা ট্রষ্ট অদু উত্তর প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যানাথনা মকোক ওইবা পাম্মি হায়না রাম জন্মভুমি ন্যাসনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যাস অদুনা হায়খি, যোগী অদিত্যানাথপু চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা নৎতবা, গোরক্ষ পীথ অদুগী মহন্তা ওইনা ট্রষ্ট অদুগী মকোক ওইহনগদবনি।

ন্যাসকী লূচিংবা মহন্ত নৃত্যা গোপাল দাসনা হায়খি, রাম জন্মভুমি ন্যাসনা অদিত্যানাথপু ট্রষ্ট অদু লূচিংহনবা পাম্মি। গোরক্ষ পীথকী মখাদা লৈরিবা গোরখপুরগী ঈজৎ লৈরবা গোরখনাথ টেম্পলনা রাম লাইশঙগী ঈহৌ অদুদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌখি। মহন্ত দিগবিজয় নাথ, মহন্ত অবৈত্যনাথ অমসুং হৌজিকনা যোগি অদিত্যানাথনা লাইশঙগী ঈহৌ অদুগী থাদোক্লবা য়াদবা শরুক অমা ওইরকখ্রে।

লিংখৎকদৌরিবা ট্রষ্ট অদুদা ন্যাস অসিনা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি অদুবু মরীকুম্বদি পনখিদে।

ট্রষ্ট অদুগী অতৈ মেম্বরশিং অদুদা বিশ্ব হিন্দু পরিষদ ভাইস প্রসিদেন্ট চম্পত রাই অমসুং ওমপ্রকাশ সিংহাল (বি ঐচ পি ট্রেজরর) অসি য়াওরবা য়াই।

বি এস পি লূচিংবা অশোক সিংহালনা ২০১৫দা লৈখিদ্রবা তুংদা বি ঐচ পি অমসুং মসিগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংগী থবক থৌওংশিং অদু চম্পত রাইনা য়েং শিল্লকখিবনি। মহাক বি ঐচ পিগী শক্লাইরবা মীওইশিংগী মনুংদগী অমনি।

চম্পত রাই অমসুং ওমপ্রকাশ সিংহাল অনীমক ন্যু দিল্লিদা লৈ। মহন্তা নৃত্যা গোপাল দাসকী মহুৎ শিনগদবা অমা ওইরিবা মহন্ত কমল নয়ন দাসনা রাম লাইশঙ শান্নবগী ট্রষ্ট অদু মহন্তা নৃত্যা গোপাল দাসকী মীৎয়েঙ মখাদা থবক তৌগনি হায়খি।

হিন্দু অমসুং মুস্লিম লাইনিং লূচিংবা কয়ামরুম য়াওখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিত দোবলগা উন্নখিবদা মহন্তা কমল নয়ন দাসনা ন্যাস অদুগী মহুৎ শিনখি।

মরকসিদা অনৌবা মওং অমদা দিগম্বর অখারানা হান্না লৈরিবা ট্রষ্টতা রাম লাইশঙ শান্নবা হায়রোইদবনি হায়বা ফিরেপ লৌখ্রে। অমরোমদা নিরমোহি অখারাগী মহন্ত দিনেন্দ্রা দাসনা রাম জন্মভুমি ন্যাসকী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোংদোরকখ্রে।

ঐখোয়না রাম জন্মভুমি ন্যাসকী মায়োক্তা থেংনরক্লি। ঐখায়না মতৌ করন্না মখোয়গী ট্রষ্টতা মেম্বর অমা ওইনা য়াওবদা য়াগদৌরিবনো? মখোয়না মখোয়গী ট্রষ্ট অদু সরেন্দর তৌগদবনি অমসুং ঐখোয়গা পূন্না সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল মতুং ইন্না নৌনা শেমগদৌরিবা ট্রষ্ট অদুদা য়াওগদবনি।

অরোইবা ৱারোইশিন অমা ফংনবা অমসুং খুদিংমকপু পূন্না পুশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী থবক্লি হায়না মহাক্না পাউমীশিংদা হায়খি।



সুপ্রিম কোর্টনা অযোধ্যা লমগী য়েংনবগী কেসতা নবেম্বর ৯দা মত অমত্তা ওইনা পীখিবা ৱায়েল অমনা রাম লাল্লাদা শেবায়ত রাইটস অমসুং মদুগী লন-থুম মেনেজ তৌনবগী রাইটসকী নিরমোহি অখারগী সেবায়তকী দাবি অদু ককথৎখি।

অদুবু য়েংনরিবা ৱাফম অদুদা নিরমোহি অখারানা ঈতিহাসিক ওইনা লৈরমখিবা অমসুং মখোয়গী থবকশিং অদুগী য়েংলগা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা ট্রষ্ট অমা শেন্নবা স্কিম ফ্রেম তৌবদা মেনেজমেন্টতা নিরমোহি অখারাগী চান্নবা থৌদাং অমা মখোয়বু লৌহনগদবনি হায়না সেন্টরদা দিরেক্টিব পিখি।

# হীংশানা হোং কোংবু মপূং ফানা কাং-খোং চাইবগী ফিভম ওইহনখ্রে, পুলিসকা মহৈরোইশিংগা খূৎ থোক্নখ্রে

***হোং কোং, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

চিনাগী সেমি-ওটোনোমস টেরিটোরি হোং কোংদা ফারবা ক্রিমিনেলশিংবু চিনাদা থাদুনা ৱায়েন চথবা য়াহন্নবগী এক্সট্রাদিসন বিল অমগী মায়োক্তা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌনা হেন্না চাওবা দেমোক্রেসিগী হকশিং তানবা ওন্থোক্লত্তনা চংশিল্লকখিবা ঈহৌ থা কয়া শুজিল্লক্লে।

ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মীয়ামগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা হোং কোংগী ময়াই থংবা শেন-থুমগী দিষ্ট্রিক্টতা মোং কোং হিথাংফমদা অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা লৈরিবা প্রো-দেমোক্রেসি প্রেটেষ্টরশিং থুগাইনবা হোং কোং পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিংনা চথরক্লিবা থৌওং অদুনা সিটি অসিবু মপূং ফানা কাং খোং চাইবগী ফিভম অমা ওইহল্লে হায়না পুলিসনা হায়খি।

প্রোটেষ্টর অমবু পুলিসনা নোংমৈনা কাপখিবা অমসুং মীওই অমাবু পেট্রোল হৈজিল্লগা মৈ থাখিবগুম্বা চহী দিকেদ কয়াগী মনুংদা চিনানা লৈঙাকপা সিটি অসিদা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা হীংশা খরা থোকখিবদগী নোংঙানবদা ঙসি খূৎ থোক্নবশিং অসি থোক্লিবনি।

ঙসি লঞ্চ অৱার মতমদা নীনি শুবা নুমিৎ ওইনা ওফিসকী ফিজোল শেৎপা অমসুং মায়খুম উপ্পা কয়া য়াওনা প্রোষ্টেটর লিশিং অমরোম হেনবগী মীওই খূৎপু অমনা খুদক্তা সিটি অসিগী ময়াই চবুক্তা রেল্লি তৌখি অমসুং সিটি অসিগী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা স্কাইস্ক্রেপরশিংগী অমসুং খ্বাইদগী হেন্না শেল চংবা রিয়েল ইষ্টেট অয়াম্বগী মখাদা লৈবা লম্বীশিং থিংজিনখি।

মখোয়না মফম অদুদগী চখোক্লখ্রবা মতম মতুংদা অরিবা অমসুং অখুবা লম্বীদা মখা তানা লৈহৌরিবা প্রোটেষ্টরশিংদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপখি অমসুং মীওই ১২ হেন্না ফাখি।

ঐখোয়গী খুন্নাই অসি মপূং ফানা কাং-খোং চাইবগী ফিভম অমদা নমদুনা পুসিল্লকখ্রে হায়না হান্নগী বৃটিস লোয়লম অসিদা হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা থোকখিবা হীংশাগী থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা পল্লদুনা শন্নপ্পা পাউদম অমদা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, মায়খুম উপ্পা ইরাং তৌবা মীওইশিংনা মেট্রো লম্বীশিং অমসুং কোকথক্তা পুবা পৱার লাইনশিংদা অমোৎ-অকাইশিং, বাইসাইকলশিং অমসুং অতৈ পোৎশিং লংশিন্দুনা লম্বীচৎপগী মওংশিং পূন্নমক থুগাইবগুম্বগী অঙাওবা থৌওংগী থবকশিং চথরে।



ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা মৈনা চাকখিবা মীওই অদু হৌজিকসু ফিভম লুনা লৈরি হায়রদুনা মসিগী দায়ত্ব ওইরিবা মীওই অদুগী মতাংদা ঈ-পাউ পীরক্লবসু অপীল তৌখি।

পুলিসনা কোলুন তোংদা লৈবা সিটি য়ুনিভর্সিটিদা টিয়ার গ্যাস কাপশিনখি। চিংদোলগী অতোপ্পা নাকন্দদা লৈবা চাইনিজ য়ুনিভর্সিটিদসু কাপখি। চিংদোল অদুদগী প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসতা পেট্রোল বোমশিং অমসুং চেকতুমশিং লংথরকখিবনি।

থৌওংশিং অসিদা হোং কোং লিদর ওইরিবী কেররি লামনা প্রোটেষ্টরশিং অসি য়াম্না শাথিনা মশা খক্তগী খনবশিংনি হায়খি অমসুং অসিগুম্বা দেমোষ্ট্রেসনশিং অসিদা শরুক য়াদনবা মহৈরোইশিংদা য়ুনিভর্সিটিশিং অমসুং স্কুলশিংনা অপীল তৌগনি আশা তৌই হায়খি।

ঙরাং নিংথৌকাবদসু মীওই ২৬০ হেন্না ফাদুনা জুন থাদা প্রোটেষ্টশিং অসি হৌরকখিবা মতুংদগী পূন্না ফাবা মশীং ৩,০০০ হেনখ্রে।

# বাংলাদেশতা ট্রেন থেঙ্গাইনবদা ১৬ শিখ্রে, ৬০ শোকখ্রে

***ধাকা, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

নোংপোক থংবা বাংলাদেশকী মফম অমদা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবা মতমদা ট্রেন অনী থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৬০ শোকখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

কাসবা কৌবা টাউন অদুদা লৈবা মোদোলভাগ ষ্টেসনদা ধাকা তন্না চৎপা ইন্টরসিটি ট্রেন অমগা চিট্টাগোং তন্না লাকখিবা লোকোমোটিব অমগা থেঙ্গাইনখি। মদুদা রেলৱে ট্রেকশিং অদুদগী ট্রেন দবা ৩ কায়দুনা তারকখি হায়রি।



খুদোঙথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ১৬শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই ৬০ শোকখ্রে। ঐখোয়না অশোকপশিং অদুবু লমদম অদুগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্ননবা থাখ্রে হায়না মফমদুগী পুলিস চীফ অনিশ রহমননা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা ধাকাগী মপান্দা ট্রেনে সার্ভিসশিং লেপখ্রে। ঐখোয়না হৌজিক ফাওবা রেস্ক্যু ওপরেসন চথরি। অরানবা সিগনেলিংনা খুদোঙথিবা থৌদোক অদু থোকপগী মরম ওইরম্বা য়াই। মদু থোকখিবগী ওইথোকপা য়াবা মরমশিং অদু ঐখোয়না থিগৎলি হায়না রেলৱে ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।

# অষ্ট্রেলিয়াগী ঊমং মৈ চাকপগী চাং হেনগৎলকখ্রে, সিদনিগীদমক খ্বাইদগী মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা মৈ চাকপগী খুদোঙথিবা ওইরবা য়াই

***সিদনি, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

মহৌশাগা মান্নদনা শারবা অমসুং ঈকং মায়োক্লখ্রবা লৈবাক অসিগী লম একর মিল্লিয়ন ১ হেনবদা মখা তানা চাক্লক্লিবা শাথিরবা ঊমং মৈচাকপশিং শন্দোক্লককখিবগা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সিদনিগী মনুং অমসুং অকোয়বদা লৈবা অষ্ট্রেলিয়ান মিল্লিয়ন কয়ানা থোক্লককপা য়ারিবা খ্বাইদগী শাথিবা লাম্মৈ চাকপগী খুদোঙথিবা অদু মায়োক্লগদৌরি।

ন্যু সাউথ ৱেলস রুরেল ফয়ার সার্ভিস অমসুং লৈবাকসিগী ব্যুরো ওফ মেটিওরোলোজি (বি ও এম)গী মতুং ইন্না অকনবা অমসুং অকংবা নুংশিৎ লোয়ননা হান্নদা মৈ চাক্লিবা কয়ামরুম অমসুং অৱাংবা টেম্পেরেচরশিংনা চাক্লিবা লাম্মৈ চাকপা অসি খ্বাইদগী হেন্না মাঙ-তাক্লিঙাই ওইবা থাক অদু য়ৌহল্লক্লবা য়ারি হায়রি।

ঊমং মৈ চাকপশিং অদু হেনগৎলকখিবদগী ন্যু সাউথ ৱেলস কৌবা ষ্টেট অসিগীদমক ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসি ইমজেন্সি লাওথোকখ্রে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক মৈ চাকপা থৌদোক ৫৭ থোক্লি। অয়ুক অঙনবদা হায়ফেৎ ঈংলম্রবসু ন্যু সাউথ ৱেলসতা খুদোঙ থিনীংঙাই য়ৌনা মৈ চাকপগী চাং হেনগৎলকপা য়াই হায়না রুরেল ফয়ার সার্ভিসনা হায়খি।



ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু সাউথ ৱেলসতা ওইরিবা ফিভমশিং অসিবু অষ্ট্রেলিয়াগী লাম্মৈ চাকপগী ঈতিহাসতা ভিক্টোরিয়াদা মীওই ১৭৩ শিখিবা অমসুং য়ুম ২,০০০ হেন্না মাঙ-তাকহনখিবা ২০০৯গী ফেব্রুৱারিদা ‘ব্লেক সেটরদে’ হায়না খঙনবা লাম্মৈ চাকখিবা অদুগা চাংদন্নবা য়ারবা অমনি হায়রি।

ষ্টেট অসিদা অমসুং ক্বইন্সলেন্দদা হৌজিক ফাওবদা মী ৩ শিখ্রে অমসুং য়ুম-কৈ চা কয়া মাঙখ্রে। স্কুল চা কয়া থিংজিল্লবা য়ারি।

ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টর মাইকেল মেককোরমেকনা এ বি সি রেদিওদা থোক্তুনা মৈ চাকপশিং অদুবু ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনহনবগীদমক মীওই কয়াবু মরান শীখি।

প্রাইম মিনিষ্টর স্কেট মোরিসননসু মৈ চাক্লিবশিং অসিগা ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনৈ হায়বদু য়াখিদে।

রুরেল ফয়ার সার্ভিসকী দিপুটি কমিস্নার রোভ রোজরসনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি মহাক্ল চহী ৪০গী মনুংদা থবক তৌরকখিবদা উরকখিবশিং নৎত্রগা ৱাখননা লাক্লিন্দুনা শাজিনখিবশিং অদুমুক য়ৌনা লুরে হায়খি।

# নহা অমনা নুংশিনবী নুপী অমসুং মৌপ্বাবু কাপ্তুনা হাৎখ্রে

***কৌশামবি, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

উত্তর প্রদেশকী কৌশামবিদা মশাগী চহী ২০লোম শুরবা নহা অমনা চহী ১৬ শুরবী লৈশাবী অমসুং মাগী মচিন-মৌপ্বা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

নবেম্বর ৭দা লৈশাবী অদুগা মহাক্কী চহী ১২দা ঙাইরিবা মৌপ্বা অদু মখোয়গী য়ুম অদুদা শিরগা লৈরম্বা থেংনখি। পুলিসনা মীহাৎপা নুপা অদু ফাখ্রে।

গঙ্গা প্রশাদ কৌবা নহা অদু বক্সি কা পুরবা খুন্দগনি। পুলিসকী মতুং ইন্না মঙোন্দগী পুলিসনা কন্ট্রিমেদ পিষ্টোল অমা মরু ২ অমসুং ঈ তৈরবা ফুরিৎ অমা ফংলে হায়রি।

থৌদোক থোকপা মতম অদুদা নুপীমচা অদুগী য়ুমদা মখোয়গী মমা লৈতে। মমা অদুনা আইনগী সেক্সন কয়াগী মখাদা মশক খঙদবা মীওইশিংগী মথক্তা কেস অমা থাঙ্গৎখ্রে।

নুপীমচা অদুগী টেলিফোন কোলগী রেকোর্দশিং থিজিনবদা পুলিসনা গঙ্গা প্রশাদনি হায়বদু খঙলকখিবনি।

ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পছিম সারিরা পুলিস অমসুং ক্রাইম ব্রান্সকী অপূনবা খূৎপু অমনা গঙ্গা প্রশাদ ফাখি। ৱাহং-পাউহং চথবদা মহাক্না নুপীমচা অদুগা মাগা চহী অমরোম হেন্না মরী লৈনরকই হায়না পুলিসতা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক নুপীমচা অদুনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগা নুংশিন্নখি অমসুং হৌখিবা থা খরদগী হৌনা মহাকপু থৌশারকখিদ্রে হায়না গঙ্গা প্রশাদনা মখা তানা পুলিসতা ফোঙদোকখি।

মদুদগী মহাক্না নুপীমচা অদুদা পাড়া অমা তম্বিনবা থৌরাং তৌখি।

নবেম্বর ৬তা নুমীদাংদা নুপীমচা অদুগী মমা অমসুং মবুংনা থংনবা খূন্দা চৎখ্রিঙৈদা মহাক্কী য়ুমদা লাকখি। মহাক্না নুপীমচা অদুগী কাদা চংনবা অমসুং মঙোন্দা নম্ফু তৌনবা হোৎনখি। মদুদা মহাক্না য়াখিদে অমসুং মীয়াম তান্নবা লাওগনি হায়না কীহনখি। মদুদগী মহাক্না নুপীমচা অদু পোইন্ট ব্লেঙ্কতা নোংমৈনা কাপখিবনি হায়খি।

নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবদগী নুপীমচা অদুগী মৌপ্বানা মাগী কা মনুংদগী চেন্থোক্লককপদা মহাকপুসু কাপ্তুনা হাৎখি। মদুগী মতুংদা য়ুম অদু মনুংদগী থোঙ লোনশিল্লগা মহাক নাম্থোক্তুনা চেল্লকখিবনি। মহাক্না মাগী টাউন অদুদগী চেনখিনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা পুলিসনা মহাকপু ফাখিবনি।

# কাথুৱাদা কৈনা নুপামচা অমা হাৎখ্রে

***জম্মু, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কাথুৱা দিষ্ট্রিক্টতা কৈ অমনা চহী ১০ শুরবা নুপীমচা অমবু হাৎখ্রে হায়না পীলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নিংথৌকাবগী অথেংবদা রামকোতে এরিয়াগী মকৱাল খুন্দা লৈবা মাগী য়ুমদা পরোসোতম কুমারনা হল্লকপদা শা অদুনা মহাকপু চোংশিল্লগা হাৎখিবনি। মহাক্কী হকচাং অদু মোংশোংদগী ফংলে অমসুং আইনগী থৌফম থোকপশিং তৌরবা তুংদা মাগী ইমুং-মনুংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# টেরোরিষ্ট ১ হাৎখ্রে

***শ্রীনগর , নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী গন্দরবাল দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক টেরোরিষ্টশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট অমা হাৎখ্রে অমসুং আর্মিগী লান্মী অমা শোকখ্রে হায়না পুলিসনা হায়রি। অকক্লবা পাউ ফংবদগী ময়াই থংবা কাশ্মির দিষ্ট্রিক্ট অদুগী কুলান এরিয়াদা ওপরেসন চথবদা মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরম্বা টেরোরিষ্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি।

# হান্নগী পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর হাৎখিবা মীওই মপূন্সি চুপ্পা মীয়াৎকী চৈরাক্তা ওন্থোকখ্রে



***চান্দিগড় , নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

পঞ্জাবকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিন্ত সিংহ হাৎখিবগী কেসকী কনভিক্ট অমা ওইরিবা বলৱন্তা সিংহ রাজোৱানগী শিবগী চৈরাক অদু য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারসনা তেনশিনহনখ্রে।

কনভিক অদুগী চৈরাক শিবগী চৈরাক্তগী কম্ম্যুট তৌখিবগী ওর্দর অদু পঞ্জাব অমসুং চান্দিগড় এদমিনিষ্ট্রেসন্সতা থাদুনা খঙহনখ্রে।

চান্দিগড় এদমিনিষ্ট্রেসননা রিমিসন ওর্দরস অদু থবক্তা ওন্থোক্কদবনি।

২০০৭দা শিবগী চৈরাক পীনবগী ৱায়েল ফংখ্রবা বলৱন্তা সিংহ রাজোৱানানা হৌজিক মপূন্সিচুপ্পগী চেলগী চৈরাক ওইনা জেলদা মখা তানা লৈরগনি। মসিগী মমাঙদা হান্না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা বলৱন্ত সিংহ রাজোৱানগী শিবগী চৈরাক অদু গুরু নানক দেবগী ৫৫০ শুবা প্রকাশ পর্ব থৌরমদা মীওইবগী মীনুংশি উৎপগী খুদম অমা ওইনা লাইফ ইম্প্রিজনমেন্টতা কম্ম্যুটেসন তৌনবা অয়াবা পীখিবনি।

চান্দিগড়দা লৈবা সিবিল সেক্রেটেরিয়েটকী মপান্দা ১৯৯৫কী আগষ্ট ৩১দা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মতম অদুগী পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর বিন্ত সিংহ য়াওনা মীওই ১৭ শিখিবনি।

# ফোরেন ফন্দ লান্না শিজিন্নবা এন জি ও ১,৮০০ হেনবগী রেজিষ্ট্রেসন ককথৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১২(এজেন্সি)ঃ***

আইনশিং থুগাইবা থেংনখ্রবা এন জি ও অমসুং একাদমিক ১৮০০ হেন্না চহী অসিদা ফোরেন ফন্দশিং ফংবদগী গভর্ণমেন্টনা অথিংবা থমখ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা খোঙদোকখ্রে।

ফোরেন কনষ্ট্রিব্যুসন (রিগুলেসন) এক্টকী মখাদা মখোয়গী রেজিষ্ট্রসন ককখ্রবশিংদুগী মনুংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ রাজস্থান, এলাহাবাদ এগ্রিকলচরেল ইনষ্টিট্যুট, য়ঙ মেন’স খৃষ্টান এসোসিয়েসন, গুজরাত অমসুং শ্বামি বিবেকানন্দা এদুকেসনেল সোসাইটি, করনাতকা য়াওরি।

এফ সি আর এ রেজিষ্ট্রেসন অদু ককখিবগা লোয়ননা এন জি ওশিং অমসুং একাদেমিক ইনষ্টিট্যুটশিং পূন্নমক অদু ফোরেন কন্ট্রিব্যুসন ফংবদগী থিংলে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খ্রে।

ওর্গনাইজেসনশিং অসিগী এফ সি আর এ রেজিষ্ট্রেসন ককথৎখিবা অদু অয়াম্বনা হন্না-হন্না নীংশিংনবা চে থারবা ফাওবদা চহী ৬ ফাওবা ফোরেন ফন্দিংগী মতাংদা মখোয়গী এন্যুয়েল ইনকম অমসুং এক্সপেন্দিচর ষ্টেটমেন্ট থাগৎপা ঙমগদবদগীনা অয়াম্বনি।

এফ সি আর এ গাইদলাইন্স মতুং ইন্না রেজিষ্টারদ এসোসিয়েসনশিংনা শেনবা চহী লোইশিনবগী থা ৯গী মনুংদা শেনবা চহী খুদিংমক্কীদমক ইনকম অমসুং এক্সপেন্দিচর ষ্টেটমেন্টশিং, রিসিপস অমসুং পেমেন্ট একাউন্ট, বেলেন্স সীট অসিনচিংবগী স্কেন কোপিশিংগা লোয়ননা ওনলাইন এন্যুয়েল রিপোর্ট অমা থাগৎপগী মথৌ তাই।

করিগুম্বা অকক্লবা চহী অমগী মনুংদা ফোরেন কন্ট্রিব্যুসন ফংদবা এসোসিয়েসনশিং অদুবু পীরিবা মতম অদুগী মনুংদা ফাইনান্সিয়েল ইয়ার অদুগীদমক ‘নিল’ রিটর্ন অমা থারকপগী মথৌ তাই।

এফ সি আর এ রেজিষ্ট্রেসন ককথৎলবা অতৈ এসোসিয়েসনশিংদি ইনষ্টিট্যুট ওফ পলমোকিয়ার এন্দ রিছার্স, ৱেষ্ট বেঙ্গল; নেসনেল জিওগ্রাফিকেল রিছার্স ইনষ্টিট্যুট, টেলঙ্গনা; নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি, মহারাষ্ট্রা; রবিন্দ্রনাথ টেগোর মেদিকেল কলেজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স, ৱেষ্টবেঙ্গ অমসুং বেপটিষ্ট খৃষ্টান এসোসিয়েসন, মহারাষ্ট্রনচিংবসু য়াওরি। ২০০৪দা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্ট লাকপা মতুংদগী হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোরেন ফন্দিং ফংবদগী এন জি ও ১৪,৮০০ হেনবগী এফ সি আর এ রেজিষ্ট্রেসন ককথৎখ্রে ।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-298**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 6 | | 1 | 4 | | 9 | |
| 9 | 7 | | | 8 | | 3 | | |
| | 1 | 4 | | | 3 | | 8 | |
| 8 | | | 6 | 3 | | | | 7 |
| | 4 | 3 | | | 7 | 1 | | |
| 7 | | | 5 | | | 9 | | 8 |
| 1 | | | | | 9 | | 7 | |
| 6 | | | 4 | | | | | 3 |
| | 3 | 8 | 1 | 7 | | | | |

# GAS TODAY

**Tanglei Gas, Oindam**
Booking : 11/10/19
Valid : 09/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Imphal LPG Service**
Valid unclaim Reciept holder
Stk : 100 /19kg & 5kg Avail
Time :From 08.30 a.m.

**সনা-সুদোকু - ২৯৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 7 | 5 | 2 | 6 | 8 | 9 | 4 | 3 |
| 2 | 4 | 6 | 3 | 9 | 7 | 1 | 5 | 8 |
| 3 | 9 | 8 | 4 | 5 | 1 | 2 | 7 | 6 |
| 5 | 2 | 9 | 1 | 3 | 6 | 4 | 8 | 7 |
| 6 | 1 | 3 | 7 | 8 | 4 | 5 | 2 | 9 |
| 4 | 8 | 7 | 5 | 2 | 9 | 6 | 3 | 1 |
| 8 | 5 | 2 | 6 | 1 | 3 | 7 | 9 | 4 |
| 7 | 3 | 1 | 9 | 4 | 2 | 8 | 6 | 5 |
| 9 | 6 | 4 | 8 | 7 | 5 | 3 | 1 | 2 |